ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



জুলাই ১৩দগী ১৫ ফাওবা টামিল নাদুগী নিলগিরিস দিষ্ট্রিক্টকী উটিতা পাঙথোকখিবা আর এস এসকী এন্যুএল বৈথক্তা শরুক য়াখিবা সরসংঘ চলক ডা. মোহন ভগৱট

টেম্পররি ওইবা য়ুম শাদুনা লৈহনবগী মহৎতা মশা-মশাগী খুলশিংদা খুন্দাহনবীয়ু
☛ লামায় ২

কুম থেংজিল্লক্লবা মতমসিদা ফৌ থাবদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং
লামায় ৪

কদাংবন অমদি সেঞ্জম চিরাংগী লানবন ঙাকপশিংদা মতেং পাঙখ্রে
☛ লামায় ৫

মণিপুর মীয়াম্না কুপশেন শেন্নবগী মতম ওইরে : সানুলাল
☛ লামায় ৬

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়গী অপূনবা নুপী মরুপকী মীওইশিংনা কাংভাই অমসুং থাঙ্গী রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মীওইশিংগীদমক রিলিফ মেটরিএলশিং খুৎশিন্নবা




Vol. 47, Issue No. 114 | নিংথৌকাবা, ইঙেনগী থাশি | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, July 17, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## বি জে পিনা খোংগদবদা কোংগ্রেসনা খোংদুনা লৈরে

# লান লেপত্রি : মফম ২দা কন্না খূৎ থোক্লখ্রে, কুকি মিলিটেন্ট ২ শিরে

### প্রাইম মিনিষ্টর বোইকোট তৌরগনি : অকসু

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬(ঐচএনএস) :** ইরৈবাকচা পূম্নমকসু চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়াই, মীওই লিশীং-লিশীং লৈ হায়বসি সী এমনা খঙদ্রবা মাল্লি হায়রদুনা ওল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অকসু) গী চেরোল অমনা এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতমদা মণিপুরদা কুকিগা মীতৈগা লান তৌনদুনা মীতৈ কয়া শিখ্রে হায়রদুনা গভর্ণরসু দেমোক্রেসি খঙদ্রে অমসুং প্রসিদেন্টসু দেমোক্রেসি করিনো খঙদবনি হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা হংলদুনা মণিপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মতম চূপ্পগী ওইনা বোইকোট তৌনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, লান অসিদা কুকি কয়াসু শিখ্রে। মীতৈগী য়ূম কয়া মৈ থাখ্রে। কুকিগী য়ূম কয়াসু মৈ থাখ্রে। মসিদা করিসু ইকায়বা খঙদনা অপঙবা অঙাং শাদুনা ৱা পংঙাঙ ঙাঙদুনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ঙাঙলিবা অসিনা দেমোক্রেসিগী ফজরবা শক্তম্বু চীফ মিনিষ্টরনা মশক থীহল্লে হায়রি। অমুক্কা পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা লৌনীংবা মীওই খরনা খূৎলায় পায়বা খরদা ইনশিল্লগা কুকিগা মীতৈগা লান তৌনহনবনি হেক্তা হায়। অমুক্কা তোকঙা শন্দোক্তুনা খামেনলোক্তা মী হাৎপনি, মীহাৎপা লেম্না থারোই হায়বা, অমুক্কা চীংদা অমিটশাহনা থৌদাং লৌরগনি, তম্পাক্তনা চীফ মিনিষ্টরনা থৌনাং লৌরগনি হায়বা অদুগা অমুক্কা মণিপুরদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :**

নুমিৎ ৭৫নি শুজিল্লক্লবা মণিপুরগী অকনবা লান লেপ্পল্লক্ত্রবসু ষ্টেট অমসুং সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিদগীদি লান থোকপা হৌরকপদগী হৌরদুনা কোংগ্রেসনা মসিবু খামদুনা লেপহল্লগা মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিলহন্নবা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিন্দুনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ২০দগী পার্লিয়ামেন্ট মীফম হৌগদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা খংকন কনশিল্লক্তুনা এ আই সী সীগী প্রসিদেন্ট মালিক অর্জুন খর্গে, কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধী অমসুং জয়রাম রামেস, কে সী ভেনুগোপালনচিংবনা মীফম অসিদা মণিপুরগী ৱাফম পুখৎতুনা খন্ননবা ফি শেন্বা হৌগৎলক্লবসু লিশাং শিৎনা চত্থরল্লিবা লান অসি লেপ্তুবদগী

## কুকি মিলিটেন্টশিংগী বোমগী মচাকশিং য়াওবা বোলেরো অমা নোংমৈ কাপশিন্দুনা থুগাইখ্রে

ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবদা মফম অমদা কুকি মিলিটেন্ট ২ শিরে হায়রি।

অহানবগী থৌদোক অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্দুনা ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কোনশিল্লিবা তিঙ্কাই খুনৌগী মথক্তা লৈবা লোইবোল খুনৌ কুকি খুলগী মফম অমদা থোকখিবনি। হায়রিবা মফম অসিগা চীংখোঙদা তাইননা লৈরিবা মীতৈ খুলশিংনা ইরেংবম অমসুং কৈনৌগী মনীং থংবা শরুকশিংনি।

খূৎ থোক্লখ্রিবা মফম অসিদগী মীতৈ খুলশিং তম্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপথবা হৌরকপদগী মীতৈ খুলশিংবু ঙাক্লক্লিবা খুঞ্জাশিংনা হান্না মায়োক্নদুনা অওক ওকথোং তৌনখিবনি। খূৎ থোক্লরকপগী পাউ তাবদগী ষ্টেট ফোর্সশিংসু থোমজিল্লক্তুনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা মায়োক্নখিবনি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদগী হৌরদুনা থোকখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবা লোইবোল খুনৌগা ইনক নক্লনা লৈরিবা কুকি খুলশিংগী মনুংদা শন্নুক অমসুং থন্নুক খুলশিং য়াওরিবনি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকপদগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিং অমসুং ষ্টেট ফোর্সনা নোংমৈ কাপথরক্লিবা খুলশিং অদু তম্না কাখৎলগা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবনি। অদুবু মফম অদুদা লৈরম্বা কুকি মিলিটেন্টশিংগী বঙ্করশিংদা অফবা খূৎশু খূৎলায়শিং পায়দুনা মখোয়গী মীশিং য়াম্না লৈরম্বদগী কা হেন্না ষ্টেট ফোর্স অমসুং খুঞ্জাশিংনা চঙশিনবদদি খুদোং চাখিদে হায়রি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লরকপা অদুদা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদগী মীওই অনী নোংমৈনা পাল্লগা শিদুনা লৈবা উরকখি হায়রি।

থৌদোক অসিদা ষ্টেট ফোর্সশিংগী মায়কৈদা অশোক অপন য়াওখিদে। অদুম ওইনমক খুল ঙাকপা য়াওরকখিবা খুঞ্জা অমদি চেনবদা তুশিনবদগী খরা শোকখি হায়রি। মফম অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬



আর্মিনা খুল ঙাকপা খুঞ্জা ৩ ফাজিনবদগী হৌরকখিবা নুপীশিংগী মরক্তা পুলিসনা শন্তাইনবা হোৎনবা

### মিসাও গ্যাসকী ত্রক ৩ মৈ থারম্বগী কেসতা মীওই ১৯ ফারে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬(ঐচএনএস) :** ঙরাং অয়ূক সেকমাই কৈথেলগী মনীংলোমদা খরা চঙশিল্লগা লৈবা মফম অদুগী কাংজৈবুংগী শরুক অমদা শকখঙদবশিংনা এম/এস মিসাও গ্যাস এজেন্সীগী চকা তরুক পানবা এল পি জি সিলিন্দরশিং হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবা ত্রক ৩ মৈ থারম্বা থৌদোক্কী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসগা মরী লৈননা মীওই ১৯ ফারে হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মীওই ১৭না ঙসি দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ ৪নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌরে অদুগা মীওই ২না জুবেনাইল জষ্টিস বোর্দতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

### ফাজিনখিবা মীওই ১৯ থাদোরক্তবদি ঙসিদগী ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী মতম কক্তনা থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬(ঐচএনএস) :** সেকমাই কাংজৈবুংদা গ্যাস সিলিন্দর পুবা ত্রক ৩ ঙরাং শকখঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লম্বগী মতাংদা পুলিসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাজিনখিবা মীওই ১৯ ঙসি নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা থাদোরক্তবদি হয়েংদগী হৌরদুনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱারেপ অসি কোওর্দিনেটিং কন্মিটি ওফ অৱাং সেকমাই, কংলাতোংবী কনবা লূপ অমদি অৱাং সেকমাইগী খুঞ্জাশিংনা ঙসি সেকমাই কৈথেলদা মরাল লৈজদবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে দেল্লীদা পাইশিনখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী থোরকখিবা মণিপুরগী কাঙলূপ মশেলগী তমথীরবা লান ঙসি নুমিৎ ৭৫নি শুরক্লবা ফাওবদা নাকল অনীগী মরক্তা শোক্নরকপা লান লেপ্তুবদগী মীশি মীনা য়াওরিঙৈগী চৈরক্তা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকে দেল্লীদা পাইশিনখ্রে।

মহাক ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তারকপদা দেল্লীগীদমক ইম্ফালগী টুলিহল এয়রপোর্টতগী খোঙশানখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী খোঙচৎ অসি থা অসিগী ২০দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসনগী মাঙওইননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কৌরকপদগী চৎখিবরা নৎত্রগা মহাক্কী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী ওইরিবা ফীভমশিং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংদা মখা তানা পাউদম্লুনবগীদমক চৎখিব্রা হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদে।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৩দা ইম্ফাল ইষ্টকী নাওরেম বিরহরি কোলেজদা হাংলক্লিবা রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা ইনমেটশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নখিবা গভর্ণরনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফীভম অসি ওইহল্লকপদা ম্যান্মারদগী মীওইশিং য়াওনা এক্সটর্নেল ফোর্সশিং চেন্নৈ হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি। মরম অসিনা মহাক্কী ঙসিগী খোঙচৎ অসি মহাক্কা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগা মরী লৈনরমগদ্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরি।

অমরোমদা, এন পি এফকী এম এল এ রাম মুইভাসু ঙসি দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

### সিক্যুরিটিনা এস্কোর্ট তৌদুনা নোনেদগী পুরকপা গাড়ী ৯ নূঙনা থোমদুনা থুগাইরক্লে, দ্রাইভর ১ শোক্লে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬(ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা এন ঐচ-২ অমসুং এন ঐচ-৩৭তা গাড়ীশিংবু খুদোংথীবা থৌদোক মায়োক্লহন্দনা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না তোয়না হায়রবসু ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোনেদগী ইম্ফাল তম্না তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুরগা লাকখিবা গাড়ীশিংবু কে সিনাম খুল মনাক্তা কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা নূঙনা থোমজিন্দুনা থুগাইরকপদা গাড়ী ৯ অকায় অতোয় থোকখিবগা লোয়ননা দ্রাইভর অমসু মখূৎতা পান্দুনা শোকখি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী এম জি এভেন্যুদা লৈবা ওল মণিপুর রোদ ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্করস য়ুনিয়নগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিল মৈতৈনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

### কৈবি হৈকক মপাল মমাঙগী ইকোপ চীংখোঙদা হাৎলম্বা নুপীদুগী মমিং মথা খঙলে, চেন্নবনি হায়বা মীওই ৯ ফারে : পুলিস

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬(ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ খরা হেল্লকপদা কৈবি হৈকক মপাল মমাঙগী ইকোপ চীংগী চীংখোঙগী মফম অমদা মশক খঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলমখিবা নুপী অদুগী মমিং মথা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা লল্লাই পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা নুপী ৫ য়াওনা মীওই ৯ ফারে। মখোয়দগী নোংমৈ ২ ফংলে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুমিদাং পুং ৮ তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এস পিনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাংগী থৌদোক অদুগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফারবা মীওইশিংদি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### ঙসি অয়ূক পুং ৬তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা নাগা তাবা মফমশিংদা টোটেল শটদাউন তৌগনি : য়ু এন সী

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬(ঐচএনএস) :** চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী পল্লেলগী মনুং চনবা নারুম (বিয়ুলারম) খুলদগী লুসি মারেম অপোকপা থৌখাল মারেম কৌবী মরিং নুপীনি হায়বা নুপী অমা ঙরাং নুংথিল কৈবি হৈকক মপালগী মমাঙ থংবা শরুক্তা লৈবা ইকোপ চীংগী চীংখোঙ অমদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা থৌদোকপু য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা হয়েং অয়ূক পুং ৬তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুরগী নাগা তাবা মফমশিংদা পুং ১২গী টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

য়ু এন সীগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ৱিংগী চেরোল অমনা থৌদোক অদুদা চেন্নবনি হায়বা লূপশিংগী মমিং পল্লকখিবগা লোয়ননা য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়রি। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা খুদক্তা জুদিসল ইনক্বারি চথদুনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬(ঐচএনএস) :**

হয়েং জুলাই ১৭তা কর্ফিয়ু কোমথোক্কদবা দিষ্ট্রিক্টশিং-ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬, ককচীং অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৫ (ককচীংগী সেরৌ য়াওদনা), অদুগা থৌবালদনা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Lan soknarakpada yeknaba natabada khut thadabana lan mai paknabagi maru oiba lambini haibasi kaothoktana lanthengnabana chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : July 20dagi hougadouriba Parliament meephamda BJPna Manipurgi phibamgi matangda puthoktuna khannarakani thajabra?

Yes 80% No 20%

### অস! লোইরেহে!

- উমং কোকথোকপনা নোং তাদ্রে, মখোয় পাবুং।



- নোংদি তাই, ঈশিং য়াওদবগী ৱানি।

### মণিপুরদা ইন্টরনেট থিংজিল্লকপবু কোংগ্রেস এম পি শশি থারুরনা কন্দেম তৌখ্রে



**ন্যু দেল্লী, জুলাই ১৬ (এজেন্সী) :** মে ৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লাননা মরম ওইরদুনা ষ্টেট অসিদা মোবাইল দাটা সর্ভিস/ইন্টরনেট সর্ভিসসিং লেপ্তুনা থিংজিল্লকপবু পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কন্মিটি ওন ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী মেম্বর অমসু ওইরিবা কোংগ্রেস এম পি শশি থারুরনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেট সর্ভিসশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### আর এস এসকী অখিল ভারতিয়া 'প্রান্ট প্রচারক বৈথক' না মণিপুরগী ফীভম হকচিন্না খন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী মণিপুরদা থোরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী লাননা ওইহল্লক্লিবা ফীভমশিংবু থা অসিগী ১৩দগী হৌরক্লগা ঙরাং ফাওবা টামিল নাদুগী নিলগিরিস দিষ্ট্রিক্টকী উটিদা নুমিৎ হুমনি চূপ্পা পাঙথোকখিবা রাজষ্ট্রিয় শ্বায়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) কী অখিল ভারতিয়া 'প্রান্ট প্রাচরক বৈথক' না য়াম্না হকচিন্না লৌদুনা খন্নখ্রে হায়রি।

আর এস এসকী বৈথক অসি চহীগী ওইনা পাঙথোকপা য়াম্না মরু ওইবা অমসুং লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তা লৈবা সঙ্ঘ অসিগী শ্বায়মসেবকশিংনা শরুক য়াবা মীফমনি হায়রি।

মীফম অসিদা মণিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি লাকশিন্দুনা ঈং-তপ্পা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা, ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা থাজনবা হঞ্জিলহল্লক্নবা অমসুং ফীভম অসিনা শোকহল্লবা মণিপুরগী ইমুংশিংদা মথৌ তাবা তেংবাঙশিং পীনবগী থবক পায়খৎপগী মতাংদসু খন্নখি হায়রি। লোয়ননা বৈথক অসিনা মরু ওইনা খন্নবা ৱাফমশিংগী মনুংদা আর এস এসকী শ্বায়মসেবকশিংনা মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা তেংবাঙ পীবগী থবকশিং হেন্না পাকথোক চাওথোক্না কোনশিন্নবসু খন্নখি। লোয়ননা মণিপুরদা অমুক হন্না নুংশি চান্নবা অমসুং ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্নবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিগী ফুরুপ পূম্নমক্না পাংবা য়াবা মতেং পাংবীনবগীদমক হায়জবগী ৱাফমসু য়াওখি।

লোয়ননা হায়রিবা থবকশিং অসি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু পায়খৎতুনা পাঙথোকপা য়াবা থবক পূম্নমক পাঙথোক্তুনা মণিপুরদা তুং কোইনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা অমসুং রিহেবিলিটেসনগী থবকশিং পায়খৎনবা হায়নবগী ৱারেপসু লৌখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, চৎলিবা চহী অসিদা লৈবাক অসিগী মফম ৩৯,৪৫১দা শখা ৬৩,৭২৪না থবক তৌরক্লিবনি হায়রি।

### চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ৱার ওন দ্রগসতা খূৎশম্নলা থবক তৌমিন্ননবা আপীল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :**

এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইরকপদগী কুমজা ২০১৮দগী চথুরকখিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়ন অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিংসু অমত্তা ওইমিন্নদুনা কেম্পেয়ন অসিদা পূন্না শরুক য়ামিন্ননবা পাম্বৈ পুথোকপীয়ু হায়না আপীল তৌখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি মহাক্কী ত্বিটরদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী হৌরদুনা মিজোরামদা ইল্লিগেল দ্রগশিং লেপ্তুনা ফাবা হেনগৎলকপবু হকচিন্না লৌই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা ৱাফমশিং অসি ত্বিটরদা থাগৎলকখিবনি।

দ্রগ ত্রাফিক্কিং থেংনবদা মায়োক্নখিবা শীংনবশিং মশামক্না হকথেংনখি হায়রদুনা মিজোরাম লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎলকপা থবকশিংদসু মহাক্না থৱায় হকচাং য়াওনা সপোর্ট তৌগনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

### মীতৈগী লাইশঙশিং থুগাইদুনা মৈ থারকপগী মতাংদা উকলনা খন্নখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস):**

হৌজিক কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথুরক্লিবা লান অসিগী মনুংদা মীতৈগী লাইশঙশিং থুগাইদুনা মৈ থারকপগী থৌওংশিং চথুরকপগী মতাংদা উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) না শীন্দুনা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্তুনা মসিগী মায়োক্তা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপা হৌনবা ৱারেপ অহুম লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা উকলগী মখাদা ৱার্কিং কন্মিটি অমা শেমদুনা লাইফম/লাইশঙশিং মাঙহনবা/থুগাইবা অমদি মৈ থাবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা, ৱার্কিং ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

### কোটুনা নুমিৎ হুমনি এন ঐচ-২ থিংজিনবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস):**

ঙসি অয়ূক কাংপোকপী অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা তাইননা লৈবা লোইবোল কুকি খুলদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা নৌহৌননা খূৎ থোক্লখিবা অমসুং ঙরাং এল পি জি সিলিন্দর পুবা ত্রক অহুম মৈ থাদোকখিবনচিংবা থৌদোকশিংগা ইরোয়ননা কাংপোকপীদা বেজ তৌরিবা কন্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগা অথুবগী ওইনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না নেসনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী ঙসি অহিং নোংয়াইদগী হৌরদুনা নুমিৎ হুমনি (পুং ৭২) গী ওইনা টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চথুরগনি লাওথোকখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## খুঞ্জাশিং ঙাকপী শেনবীনবসু, লৌবুক্তা লৌ উবগী থবক তৌবদসু ঙাকপীনবা সিক্যুরিটি অমত্তা থারক্ত্রি

### হকথেংনবা পাউদম

*সিনাম খুলগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, জুলাই ১৬ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী কুকি লমহেন-তুহেনবশিংগা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা মীওইশিংগনা লৈবাক অসিগী মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীওই খরগা ফাওবা খূৎশম্নরগা মণিপুরদগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবনি হায়দুনা চথুরল্লিবা তমথীরবা লান অসিগী অৱা চৈথেং নংলবা মীওইশিংগা মথং মথং লেপ্তুনা ৱারী শান্নরকপগী মখা তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী সিনাম ঈশিংথেনবী গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা খুঞ্জা অমনা হায়, গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোনশিল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং অমসুং মখোয়গী মরল মথুমশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা অমসুং মখোয়না চাদবা য়াদবদগী তঙাইফদনা উগদৌরিবা লৌফমশিংদা থবক শুবদা ঙাকপীনবা ঙরাং (জুলাই ১৫, ২০২৩) ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মখল অমত্তগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাবীরক্তুনা লেঙদনা লৈদুনা ঙাক শেনবগী থবক তৌবীরবা লৈত্রি হায়রি।

সিনাম ঈশিংথেনবী গ্রাম পঞ্চায়টনা কোল্লিবা মফমশিংগী মনুংদা সঞ্জেনলোক ঈশিংথেনবী অমসুং সিনাম খুলশিং য়াওরিবনি। খুলশিং অসিগী অকোয়বদা লৈবা চীংথকশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়ামদ্রবদা বঙ্কর ১১ রোম শাজিন্দুনা লৈরি হায়বসি মখাদগী বাইনোক্যুলর শীজিন্নদুনা য়েংবদা ময়েক শেংনা উবা ফংই।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা বঙ্করশিং অসি শাজিনবদা নত্তনা মখোয়না ঙাইহাক লৈতনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা চীংগী চীংয়াংশিংদগী নুমিদাংগী মতমদা সর্স লাইটশিং হান্না কাপথরক্লগা ঙাইহাক লৈতনা কাইহৌবগী ফীভমদা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্পগী থবকসু লেপ্তুনা চথুরক্লিবনি হায়রি।

মরমশিং অসিনা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোল্লিবা খুলশিংগী মীয়াম্না হৌজিকসু মখোয়গী থৱায় কঞ্জনবগীদমক কুকি মিলিটেন্টশিংনা চথুরকপা লান মায়োক্লনবা নুমিৎ খুদিংগী শেম শাদুনা লৈরি। মীতৈ খুলশিং অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা চীংদগী কুমথরক্তুনা লান তারকপদা ইহান হান্না মায়োক্লগনি থাজবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বঙ্করশিং শেম শাদুনা থল্লি। অদুগা বঙ্করশিং অসিদা অতোপ্পা খুলশিংদগী মীওইশিং লাক্তুনা মতেং পাংশিনবীরদ্রবা ফাওবদা খুঞ্জাশিংনা মায়পুননা ঙাকচনবগীদমক মীতৈগী বঙ্কর অমমমনা খুঞ্জা ১০/১০না কুপশেন শেন্নরি। খুঞ্জা ১০ অসিগী মনুংদা নুমিদাংগী মতমদদি খুঞ্জা ৫না তূল্লগা অতোপ্পা ৫না মীকুপ নাহুম শীংনা লৈরক্লি। অদুগা বঙ্করদা খুল ঙাক্লবগীদমক সন্ত্রি দ্যুটি তাবগী পুংফমসু খাইদোক্নদুনা ঙাক শেল্লক্লি হায়রি।

গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোল্লিবা মীতৈ খুলশিং অসিদা ঙসি ফাওবদা ষ্টেটকী নৎত্রগা সেন্ট্রেলগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী পোষ্ট অমত্তা থমদ্রিবরা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদদি মরক-মরক্তা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেলগী ফোর্সশিং লাকপা য়াওই। অদুম ওইনমক ফোর্সশিং অসিগী লেঙদবা পোষ্ট অমত্তা ঙসি ফাওবা খুলশিং অসিদা লৈত্রি হায়রি।

মরম অসিনা গ্রাম পঞ্চায়ট অসিনা কোল্লিবা মীতৈ খুলশিং অসিগী নুপী অঙাং য়াওনা মীয়ামগী পুন্সি মাঙদনবগীদমক ঙাক শেনবগী থবক খুঞ্জাশিংনা পুনশিন্নদুনা হোৎনরক্লি। মসিগী মথক্তা হৌজিক লৌউ পাম্থা ওইরকপদগী তঙাইফদনা চাননবদি লৈতবা য়াদবনিনা লৌ উদবা য়াদবদগী লৌবুকশিংদা চৎতুনা লৌ খোইবদগী হৌরদুনা লৌ উবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং চথুরকপদসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌরকপদা মায়োক্লবা ঙম্নবা খূৎশু খূৎলায়শিং পুদুনা লৌবুক্তা চৎনরে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

কাঙলূপ মশেলগী অকনবা লান থোরকপদগী খুলশিং অসিগা ইরাপ লাপ্নদনা লৈরম্বা কুকি ফুরুপশিংগী খুলগী য়ূম খরা মৈ থাদুনা অমাঙ অতা থোকহনবা য়াওখ্রে। মরম অসিদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা মসিগী লমন খুম্ননবগীদমক হৌজিকসু মখোয়না ঙাইহাক লৈতনা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা চীংগী শরুকশিংদা বঙ্করশিং শাগৎপগা লোয়ননা অচেংবা তাঞ্জা য়েংদুনা লৈরি হায়রি।

মমাঙ থাগী ২৭ অমসুং চৎলিবা থা অসিগী ৪দসু কুকি মিলিটেন্টশিংনা মীতৈগী খুলশিং অসি তম্না নোংমৈ কাপ্তুনা লান দারকপা হৌরকপদগী খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী খূৎ হন্দুনা মখোয়বু মীতৈগী খুলশিং অসি য়ৌনা চঙশিল্লকপা ঙমহন্দনবা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবগী থৌদোকশিংসু থোকখ্রবনি হায়রি।

অহানবদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা শুপ্নতগী নোংমৈ খক্তমক শীজিন্নরম্বদুসু হৌজিক্তি মপাঙ্গল কল্লবা মখল কয়াগী বোমশিংসু শীজিন্নবা হৌরক্লে হায়রদুনা মীতৈগী খুলশিং অসিগী খুঞ্জাশিংগী পুন্সি কন্ননবা অমসুং মখোয়না লৌ শুবদা খুদোংথীবা থৌদোকশিং মায়োক্নদনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা ষ্টেটকী নৎত্রগা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগী লেঙদনা লৈগদবা পোষ্ট য়ামদ্রবদা অমা ফাওবদি থম্বীবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎহন্নীংলিবা ঙাকশেন থৌরাংগী থবকশিং অসি হৌজিক ফাওবা লেপ্তুনা চথুরক্লিবা লান অসি লেপ্তুনা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্তুনা নে তানা মহৌশাগী ঈং-চিকপা অমসুং তংদু-লৈতাবা পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবদি লৌখৎহন্নীংই হায়রি।

খুল ঙাক্লক্লিবা খুঞ্জাশিংনা শীজিন্নরিবা নোংমৈশিং অসিদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা পায়রিবা নোংমৈশিংনা হেনবগী মথক্তা মখোয়দি মপাঙ্গল কল্লবা বোম মখলশিংসু পায়রে হায়রি।